# মালেমদা হৌরিবা তোঙান তোঙানবা উ পান্থী মখলশিংগী শরুক ৩ থোকপগী ১দি মুৎখিবা য়ানা লৈরে



পেরিস, সেপ্তেম্বর ০১ (এজেন্সী) :
মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা হৌরিবা উ পান্থী মখলশিংগী শরুক অহুম থোকপগী মনুংদা অমদি মুৎখিবা য়াবগী অকিবা লৈরে হায়না রিপোর্টশিংনা ফোঙদোক্লরক্লি।

বোটনিক গার্দেন কঞ্জর্বেসন ইন্তরনেসনল (বি জি সী আই) না ফোঙবা দি লেন্দমার্ক ষ্টদিগী রিপোর্ট মতুং ইন্না মালেমদা ফংলিবা তোঙান তোঙানবা উ মখলশিংগী মনুংদা ১৭,৫০০ রোমদি মুৎখিবা য়াবগী অকিবা লৈরে। অদুগা উ পান্থী মখল ৪৪০ রোমদি মখোয়গী স্পিসমেন ৫০ দগী হন্থনা লৈখ্রে। মালেমদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা থৱায় পানবা জীবশিং মরু ওইনা মেমেল, উচেক, এম্ফিবিয়ন অমসুং রেপটাইলশিংগী মখল খরা মুৎখিবা য়ানা লৈরে হায়না ফোঙদোক্লখিবা অদুদগী উ পান্থী মখলশিং মুৎখিবা য়াবগী চাংনা য়াম্না হেল্লি।

মালেমদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্লা হৌজিক ওইরল্লিবা ফীভম অসিবু খঙজিল্লগা উ পান্থীশিং য়ানথৎপগী মহুত্তা কনবগী মতম ওইরে হায়না বি জি সী আইগী সেক্রেটরি জেনরেল পোল স্মিথনা ফোঙদোরক্লি।

মালেমগী মীয়াম্না খ্বাইদগী পাম্না শীজিন্নরিবা অমদি কম্মন ওইবা উশিংগী মনুংদা মেগ্নোলিয়াস অমসুং দিপটোরোকার্পস মুৎখিবা য়াবগী অকিবা লৈরবা অতাঙবা মখলগী পান্থীশিংনি। হায়রিবা পান্থীশিং অসি মরু ওইনা এসিয়ন রেন ফোরেষ্টকী খা নোংপোক থংবা শরুক্তা হৌবা পান্থীশিংনি। মসিদা নত্তনা ওক ত্রি, নেপল ত্রি অমসুং ইবোনিসসু মীওইবা খুন্নাইগী চৈথেং ফংবা হৌরবা পান্থীশিংনি।

মালেমগী মপাঙ্গল কল্লবা লৈবাকশিংনা গ্লোবেল ৱার্মিং অমদি ক্লাইমেট চেঞ্জকী মতাংদা মাগী মাগী ওইবা অনীংবা অপান্থশিং ফোঙদোক্লরি। অদুমওইনমক উমং য়োকখৎপগী মতাঙদদি মরু ওইনা খন্নদ্রি। উমং য়োকখৎপা হায়বসি উপান্থীশিংবু ঙাক শেন্দুনা থম্বনি। মহৌশাগী খল ঙাক্লবা হোৎনবদা উ পান্থীশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌরি হায়বসি ঐখোয়না কাওরোইদবনি। ক্লাইমেট চেঞ্জ অমদি গ্লোবেল ৱার্মিং লাম্থেংনবদা উ পান্থীশিংনা চাওনা মতেং পাংলি। উ পান্থী মখল অমা মুৎখিবা হায়বসি লেমহৌরিবা অতোপ্পা উ পান্থীশিংদা চৈথেং পীবা খক্তা নত্তনা মীওইবা খুন্নাইদসু য়াম্না চাওবা চৈথেং পীরিবনি।

উ পান্থীশিংগী মতেং লৌরগা হিংলিবা থৱায় পানবা খুদিংমক উ পান্থী লৈত্রবদি হিংবা ঙম্লোই। মরম অদুনা য়ারিবমখৈ উ পান্থী মশীং হেন্না থাদুনা অশংবা মালেম অমা ওইহন্নবা হোৎনগদবনি। ব্রাজিল খক্তদা ফংবা তোঙান তোঙানবা উ পান্থী মখলশিংগী মনুংদা মখল ১,৭৮৮ মুৎখিবা য়াবগী অকিবা লৈরি। তোঙান তোঙানবা মখলগী উপান্থীশিং মশীং য়াম্না হৌরিবা লৈবাকশিংগী মনুংদা ইন্দোনেসিয়া, মালেসিয়া, চাইনা, কলম্বীয়া অমসুং ভেনিজ্বলা য়াওরি। হায়রিবা লৈবাকশিং অসিদা ফংলিবা অতাঙবা মখলগী পান্থীশিং মুৎশিল্লকপা য়াবগী অকিবা লৈরকপতা নত্তনা পান্থী খরদি মুৎখ্রে হায়রি।

উপান্থীশিং তপ্পা তপ্পা মুৎশিল্লক্লিবা অসি মরু ওইনা উনা শাবা পোৎচৈশিং মীয়াম্না হেন্না পাম্নরকপদগী উমং কোকথোরকপা, হিংনবগীদমক মীওই কয়ানা উমং কোকথোক্লুনা লৌউ শিংউগী থবক চথুরকপা অসিনা অচৌবা মরম অমা ওইরি। ক্লাইভেট চেঞ্জ অমসুং এক্সট্রিম ৱেদরনসু উপান্থীশিংদা অচৌবা চৈথেং পীরি।

মালেমদা ফংলিবা তোঙান তোঙানবা পান্থী মখলশিংগী মনুংদা ১৮০ দি সমুদ্রগী ঈমায় হেনগৎলকপনা মরম ওইরগা মুৎখিবা য়াবগী খুদোংথিবা লৈরে। মরু ওইনা আইলেন্দ স্পেসিসশিং সমুদ্রগী ঈমায় ৱাংখৎলকপনা চাওনা চৈথেং পীরি। খুদম ওইনা কেরিবিয়ন আইলেন্দদা হৌরিবা ফজবা মখলগী লৈ শাৎপা মেগ্নোলিয়াসতা চৈথেং পীরক্লিবা অসি সমুদ্রগী ঈশিং ঈমায় হেনগৎলকপা অসিনি। উ পান্থীশিং অসি মুৎখ্রবদি অমুক হন্না ফংলরোইদবা ঙাক্তনি।

# লোকখাদা বস তাশিনবগী থৌদোক্তা পেসেঞ্জর ৩২ শিরে : ওফিসল



লিমা, সেপ্তেম্বর ০১ (এজেন্সী) :
ঙরাং অয়ুক অঙনবদা পেরুগী চীঙগী লম্বী অমদা পেসেঞ্জর পুদুনা চৎখিবা বস অমা কন্ট্রোল ঙমহৌদবদগী লোকখাদা তাশিনবগী থৌদোক্তা বস অদুদা তোংখিবা অঙাং অনী য়াওনা মীওই ৩২ শিরে অদুগা ২০ না অশোক অপন নংলে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

ওফিসলশিংনা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না হৌখিবা নুমিৎ ৪ নি অসিদা লৈবাক অসিদা বস এক্সিদেন্টকী থৌদোক অহুমলক থোকখ্রে। লিমাগী নোংপোক থংবা শরুক্তা কিলোমিটর ৬০ লোম চৎলগা লৈবা কারেটেরা সেন্ট্রেল রোদ অসি য়াম্না খুবা মরম্না চথোক চৎশিন তৌবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা পুলিস কম্মান্দর কেসর কেভালটেসনা ফোঙদোকখিবদা ঙরাং থোকখ্রিবা থৌদোক অদু য়াম্নমক লাইবকথিবনি। শিখ্রবশিং অদুগী মনুংদা শুপ্নগী চহী ৩ খক্তা ঙাইরিবী নুপীমচা অমসুং চহী ৬ শুবতা ঙাইরিবা নুপামচা অমা য়াওরি। বস অদু পুন্না পেসেঞ্জর ৬৩ পুরগা চৎখিবনি। বস এক্সিদেন্ট থোকপগী পাউ হেক ফংবগা পুলিস টিম অমদি রেস্ক্যু ৱার্করশিং মফমদুদা চঙশিন্দুনা মী কনবগী থবক অকনবা মওংদা চথুরি। অমরোমদা বস এক্সিদেন্ট অদু ড্রাইভরগী চেকশিনদবনি হায়না পুলিস কম্মান্দর অসিনা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা অখুবা লম্বী অদুদা কা হেন্না য়াঙবা স্পিদতা ড্রাইভর অদুনা গাড়ী থৌরকখিবনি হায়রি।

# এক্টিভিষ্ট অমদি এক্স লেজিসলেচরশিং জেলদা থাজিনখ্রে

হোং কোং, সেপ্তেম্বর ০১ (এজেন্সী) :
হৌখিবা কুমজা ২০১৯ দা হোং কোংদা চথুখিবা এন্টি গভর্ণমেন্ট প্রোটেষ্ট অমদা অচৌবা থৌদাং লৌখি হায়না মরাল শীরদুনা দিমোক্রেসি এক্টিভিষ্ট ৭ অমসুং হোং কোংগী হান্নগী লেজিসলেচর খরা হোং কোং ওথোরিটিনা জেলদা থাজিনখ্রে হায়রি।

ঙসি ওথোরিটিনা জেলদা থাজিনখ্রবশিং অদুগী মনুংদা সিবিল হ্যুমেন রাইটস ফ্রন্ট (সী ঐচ আর এ) কী হান্নগী কনভেনর ফিগো চান, লীগ ওফ সোসল দিমোক্রেট পোলিটিকেল পার্টিগী রাফেল ৱোম অমসুং এভেরি এন জি, হান্নগী লেজিসলেচরশিং সিদ হোক, য়েউং সুম, অলবর্ট হোক অমসুং লিয়ুং কোক-হুং য়াওরি। হায়রিবা মীওইশিং অসি হোং কোংদা লোং হিয়র হায়রগা খঙনরি।

মখোয়দা পীখ্রিবা জেলগী ফাদোক অসি থা ১১ দগী ১৬ ফাওবা ওইরবা য়াই। মখোয়দা শীরক্লিবা মরালশিং অদু য়ুম্ফম য়াওদবনি হায়না মখোয়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা কুমজা ২০১৯ গী ওক্তোবর ২০ দা চঙশিনখিবা খোঙজং অদুগা মখোয়গা হীরম অত্তদা মরী লৈনদে হায়না ফোঙদোকখ্রবসু ওথোরিটিনা মখোয়গী ৱা তাবগী মহুত্তা জেলগী ফাদোক অদু পীখিবনি।

# টালিবানননা পৱার পায়খিবা অসি য়ু এসকী মায়থীবনি

মোস্কো, সেপ্তেম্বর ০১ (এজেন্সী) :
য়ু এসনা মখোয়গী ক্রুপশিং ওগষ্ট থাগী অরোইবা ফাওবদা অফঘানিষ্টানদগী মপুং ফানা লৌথোক্কনি হায়না ফোঙদোকখ্রবা মতুং টালিবান ফাইটরশিংনা থা অদুমক্কী ময়াইদা অফঘানিষ্টান পুম্বা খুদুম চনশিনখিবা অদু য়ু এসকী ওইনদি মায়থিবনি হায়না ৱেষ্টর্ন কন্ট্রিশিংবু মতম চুপ্পদা ক্রিটিসাইজ তৌদুনা লাক্লিবা রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিননা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা চহী দিকেদ অনীরোম য়ু এসনা অফঘানিষ্টানদা মখোয়গী ওইবা পোলিসি কয়া শেমদুনা থবক তৌরমখি। লালনা মরম ওইরগা চৈথেং ফংহল্লবা লৈবাক অদুদা য়ু এসনা চথুরম্বা থবক থৌরমশিং অদুনা মরম ওইরগা লৈবাক অদুগী মীয়ামদা চাওনা খুদোংচাদবা মায়োক্লুহল্লে। চহী ২০ লোম হেন্না য়ু এস ক্রুপশিংনা লৈবাক অদুদা লৈদুনা টালিবান ফাইটরশিং অমদি অতোপ্পা টেরোরিষ্ট গ্রুপশিংগী মথক্তা ওপরেসন কয়া চথুখি। মখোয়না ওপরেসন পাঙথোকখিবা মতমদা অফঘান কয়াগী মতেং লৌখি।

হৌজিক্তি য়ু এস ক্রুপশিং মফমদু থাদোক্তুনা চৎখ্রে। টালিবান ফাইটরশিংনা অফঘানিষ্টান খুদুম চনশিনখ্রে। য়ু এসকা নক্লনা চৎমিন্নরম্বা অফঘান কয়াদি খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরবা য়ানা লৈরি। মসি য়ু এসকী ওইনদি য়াম্না চাওনা মায়থিবা অমনি হায়রি।

# টাইৱানগী দিফেন্স সিষ্টেম পেরালাইজ তৌহনবা ঙমগনি



টাইপে, সেপ্তেম্বর ০১ (এজেন্সী) :
চাইনাগী আর্মদ ফোর্সনা টাইৱানগী দিফেন্স সিষ্টেম পেরেলাইজ তৌহনবা ঙমগনি অমদি মখোয়না ক্রুপশিং দিপ্লোয় তৌদুনা থল্লিবা মফম চাইনানা য়াম্না কুপ্না মোনিটর তৌবা ঙম্লি হায়না টাইৱানগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোরক্লি।

বৈজিংগী মায়কৈদগী আইলেন্দ অসিগী অকোয়বদা য়াম্না তোয়না মিলিটরিগী ওইবা থবক থৌওংশিং কয়া পায়খৎলক্লিবা অসিনা মরম ওইররগা টাইৱানদা থ্রেট অমা ওইহল্লক্লি। চাইনানা মতম পুম্বদা টাইৱানবু মখোয়গী মখাদা থম্নবা হোৎনরি অমদি মখোয়গী লম শরুকনি হায়না ফোঙদোকপা ফাওবা য়াওখ্রে। টাইৱানদা চাইনানা মপুং ফানা এটেক চথুরকপা য়াবগী খুদমদি উদ্রি। অদুমওইনমক আইলেন্দ অসিবু মখোয়না কন্ট্রোল তৌনবগীদমক হোৎনরি হায়না মিনিষ্ট্রি অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

অদুমওইনমক চাইনাগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগীদি টাইৱাননা ফোঙদোরল্লিবা ৱাফম অসিদা করিগুম্বা পাউখুম অমত্তা পীরকপা লৈত্রি। টাইৱানদা লৈরিবা চাইনিজ স্পাইশিংনসু আইলেন্দ অদুগী ওইবা পোলিটকেল অমসুং ইকনমি ইনফ্রাষ্ট্রচরশিং অসিদা চাওনা অকায়বা পীহল্লকপা ঙম্বগী মপাঙ্গল লৈ হায়রি।

# ৱেদর দিজাষ্টরনা মীওই মিল্লিয়ন ২ হাৎখি : য়ু এন

জেনেভা, সেপ্তেম্বর ০১ (এজেন্সী) :
ক্লাইমেট চেঞ্জনা মরম ওইরগা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা থোকহনখিবা ঈশিং ঈচাও অমদি কা হেন্না শাবগী থৌদোকশিংনা মরম ওইরগা হৌখিবা চহী ৫০ রোম অসিদা পুন্না মীওই মিল্লিয়ন ২ রোম হাৎখ্রে অদুগা দোল্লর ত্রিলিয়ন ৩.৬৪ রোমগী শেনফমশিং মাঙহনখ্রে হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সকী এজেন্সিনা ফোঙদোরক্লি।

ৱর্ল্ড মেটিওরোলোজিকেল ওর্গনাইজেসন দব্লিউ এ ওনা ফোঙদোকখিবদা কুমজা ১৯৭৯ দগী হৌরগা কুমজা ২০১৯ ফাওবদা থোকখিবা ৱেদর দিজাষ্টর ১১,০০০ রোমগী মতাংদা থিজিনখিবা অমদগী হায়রিবা অসি খঙবা ঙম্লকখিবনি। মদুগী মনুংদা কুমজা ১৯৮৩ দা ইথিওপিয়াদা থোকখিবা ঈকংনা মরম ওইরগা লৈবাক অদু খক্তদা মীওই লাক্ষ ৩ হেন্না শিহনখি।

# ম্যান্মারদা ফাজিন্দুনা থল্লিবা জর্নেলিষ্ট থাদোরক্লবা ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা তকশিনখ্রে

নেপিদো, সেপ্তেম্বর ০১ (এজেন্সী) :
ঙসিদগী থা অহুম রোমগী মমাংদা ম্যান্মার মিলিটরিনা ফাজিনখিবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটকী জর্নেলিষ্ট অদুবু থাদোরক্লবা মহাক্কী ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা অকনবা মওংদা তকশিল্লকখিবগা লোয়ননা হীরম অসিগী মতাংদা ইন্তরনেসনল কম্যুনিটিশিংনা মীৎয়েং চিংশিল্লক্লি।

হৌজিক হৌজিক ম্যান্মার মিলিটরিনা ফাজিন্দুনা থল্লিবা জর্নেলিষ্ট দেনি ফেন্সটরগী অপোকপী রোসনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না ম্যান্মারগী খ্বাইদগী চাওবা সিটি য়াঙোনদা লৈরিবা ইনসেন প্রিজনদা মহাক্কী মচানুপা ফাজিন্দুনা থল্লি। ফাজিন্দুনা থল্লিবা দেনি কোভিদ-১৯ নারম্বা য়াবগী ওইথোকপা লৈ। মশাগী চহী ৩৭ লোম শুরবা দেনিগা ওগষ্ট ১ দা টেলিফোনগী খুথাংদা শান্নখিবা ৱারী অমদা মহাক মহাও অমদি মনম খঙদ্রে হায়না ফোঙদোক্লম্বা লৈখি। অদুমওইনমক জেল ওথোরিটিনা মহাকপু হৌজিক ফাওবা কোভিদ টেষ্ট তৌথোক্তনা থল্লি। দেনি চহী অসিগী মে ২৪ দা য়াঙোনদা লৈরিবা ইন্তরনেসল এয়রপোর্টতগী ম্যান্মার মিলিটরিনা ফাজিনখিবনি। মহাকফ্রন্টিয়র ম্যান্মারগী মেনেজিং এডিটরনি। লৈঙাক্কী মথক্তা পাউ লান্না শন্দোকপা অমদি মীয়াম মরক্তা উংখৎনবা থোকহল্লকপা য়াবা ৱাফমশিং ফোঙদোকই হায়বগীদমক ফাজিনখিবনি।

## মালেমদা কোভিদনা শোকহল্লবা লৈবাকশিং

| # | Country, Other | Total Cases | New Cases | Total Deaths | New Deaths | Total Recovered | Active Cases |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | World | 218,515,402 | +609,368 | 4,532,623 | +9,006 | 195,330,139 | 18,652,640 |
| 1 | USA | 40,114,099 | +156,002 | 657,910 | +1,232 | 31,020,612 | 8,435,577 |
| 2 | India | 32,810,892 | +43,072 | 439,054 | +462 | 31,986,322 | 385,516 |
| 3 | Brazil | 20,777,867 | +25,586 | 580,525 | +882 | 19,735,447 | 461,895 |
| 4 | Russia | 6,918,965 | +17,813 | 183,224 | +795 | 6,181,054 | 554,687 |
| 5 | UK | 6,789,581 | +32,181 | 132,535 | +50 | 5,466,316 | 1,190,730 |
| 6 | France | 6,765,708 | +19,425 | 114,444 | +136 | 6,256,121 | 395,143 |
| 7 | Turkey | 6,388,331 | +21,893 | 56,710 | +252 | 5,837,217 | 494,404 |
| 8 | Argentina | 5,185,620 | +6,731 | 111,812 | +205 | 4,874,141 | 199,667 |
| 9 | Iran | 4,992,063 | +31,319 | 107,794 | +643 | 4,205,927 | 678,342 |
| 10 | Colombia | 4,909,086 | +1,822 | 124,945 | +62 | 4,738,885 | 45,256 |
| 11 | Spain | 4,855,065 | +7,767 | 84,340 | +194 | 4,362,898 | 407,827 |
| 12 | Italy | 4,539,991 | +5,498 | 129,221 | +47 | 4,272,845 | 137,925 |
| 13 | Indonesia | 4,089,801 | +10,534 | 133,023 | +532 | 3,760,497 | 196,281 |
| 14 | Germany | 3,955,418 | +8,402 | 92,730 | +59 | 3,738,000 | 124,688 |
| 15 | Mexico | 3,341,264 | +5,564 | 258,491 | +326 | 2,686,568 | 396,205 |
| 16 | Poland | 2,888,670 | +285 | 75,345 | +5 | 2,657,084 | 156,241 |
| 17 | South Africa | 2,777,659 | +7,084 | 82,261 | +431 | 2,544,563 | 150,835 |
| 18 | Ukraine | 2,286,296 | +1,356 | 53,789 | +51 | 2,207,940 | 24,567 |
| 19 | Peru | 2,150,006 | +415 | 198,295 | +32 | N/A | N/A |
| 20 | Philippines | 1,989,739 | +13,709 | 33,447 | +117 | 1,810,719 | 145,573 |
| 21 | Netherlands | 1,941,055 | +2,312 | 18,010 | +12 | 1,849,817 | 73,228 |
| 22 | Iraq | 1,888,150 | +6,937 | 20,830 | +66 | 1,734,898 | 132,422 |
| 23 | Malaysia | 1,746,254 | +20,897 | 16,664 | +282 | 1,461,727 | 267,863 |
| 24 | Czechia | 1,679,189 | +241 | 30,404 | | 1,647,126 | 1,659 |
| 25 | Chile | 1,638,675 | +345 | 36,937 | +14 | 1,595,747 | 5,991 |
| 26 | Bangladesh | 1,500,618 | +3,357 | 26,195 | +86 | 1,425,985 | 48,438 |
| 27 | Canada | 1,499,163 | +2,906 | 26,932 | +14 | 1,440,926 | 31,305 |
| 28 | Japan | 1,468,440 | +12,751 | 15,994 | +48 | 1,231,521 | 220,925 |
| 29 | Thailand | 1,204,729 | +14,666 | 11,589 | +190 | 1,021,772 | 171,368 |
| 30 | Belgium | 1,182,810 | +1,858 | 25,374 | +6 | 1,100,752 | 56,684 |
| 31 | Pakistan | 1,160,119 | +3,838 | 25,788 | +118 | 1,039,758 | 94,573 |
| 32 | Sweden | 1,127,917 | +1,112 | 14,651 | | 1,086,096 | 27,170 |
| 33 | Romania | 1,098,765 | +1,313 | 34,570 | +31 | 1,055,059 | 9,136 |
| 34 | Israel | 1,066,352 | +1,687 | 7,043 | | 975,767 | 83,542 |
| 35 | Portugal | 1,037,927 | +1,908 | 17,743 | +13 | 976,097 | 44,087 |
| 36 | Morocco | 860,948 | +4,899 | 12,649 | +109 | 793,607 | 54,692 |
| 37 | Hungary | 812,337 | +110 | 30,058 | +1 | 777,445 | 4,834 |
| 38 | Jordan | 797,126 | +867 | 10,411 | +13 | 775,286 | 11,429 |
| 39 | Kazakhstan | 789,471 | +4,322 | 9,304 | +82 | 673,629 | 106,538 |
| 40 | Switzerland | 779,661 | +2,702 | 10,989 | +11 | 706,721 | 61,951 |
| 41 | Serbia | 762,933 | +2,981 | 7,292 | +14 | 721,872 | 33,769 |
| 42 | Nepal | 762,647 | +1,523 | 10,750 | +20 | 716,306 | 35,591 |
| 43 | UAE | 718,370 | +996 | 2,041 | +2 | 705,118 | 11,211 |
| 44 | Austria | 688,305 | +1,229 | 10,772 | | 662,330 | 15,203 |
| 45 | Tunisia | 664,034 | +1,282 | 23,451 | +21 | 614,150 | 26,433 |
| 46 | Cuba | 652,855 | +6,342 | 5,303 | +84 | 612,007 | 35,545 |
| 47 | Lebanon | 602,266 | +1,040 | 8,053 | +5 | 554,474 | 39,739 |
| 48 | Greece | 587,964 | +3,628 | 13,622 | +22 | 536,859 | 37,483 |
| 49 | Georgia | 549,811 | +4,778 | 7,408 | +79 | 493,414 | 48,989 |
| 50 | Saudi Arabia | 544,449 | +224 | 8,545 | +6 | 532,850 | 3,054 |


**MANIPUR STATE POWER COMPANY LIMITED**
*Keishampat Junction, Imphal – 795001*

Corporate Office:- Electricity Complex, Patta No. 1293 under 87(2), Khwai Bazar, Keishampat, Imphal – 795001, Manipur, INDIA. Fax : +91385 2450702 Tele: +91385 2450050

No. 4/4/33KV(MAINT)/IRL-TBL/2021/MSPCL(PURCH)/1187-92 — Imphal, the 1st September 2021

ꯇꯦꯟꯗꯔ/ NOTICE INVITING TENDER

The Managing Director, Manipur State Power Company Ltd (MSPCL), a Government of Manipur Enterprises invites sealed tenders in triplicate from eligible turnkey firms who have experienced in the field of the same nature of work for execution for the following work.

| Tender Specification No | Particulars | NIT value (inclusive of GST) | Cost of Tender Paper | Last date of receipt of request for Tender Paper | Due date of receipt of completed Tender | Due date of Opening of Techno-Commercial Bid | Due date of Opening of Financial Bid |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| (1) | (2) | (3) | (4) | (5) | (6) | (7) | |
| 4/2/21 | Replacement of poles, insulators, conductors and associated line materials of 33KV line from Iribung to Thoubal Khunou on turnkey basis. | Rs. 87.85 Lakh. | Rs. 10,000/- | 10.09.2021 upto 4.30 p.m | 22.09.2021 upto 4.30 p.m | 24.09.2021 at 2.00 p.m. | 25.09.2021 at 2.00 p.m. |

2. Bidding/tender Documents shall be available from the office of the **Managing Director, Manipur State Power Company Limited, Keishampat, Imphal – 795001, Manipur, India.**

3 The application request for the NIT/tender along with cost of the tender paper (Non-refundable) shown above. in the form of Demand Draft/D-at-Call/FDR/Banker Cheque from a Nationalized/Scheduled Bank preferably having its branch at Imphal (preferably State Bank of India), drawn in favour of the **Managing Director, Manipur State Power Company Limited** should be submitted to the **Managing Director, Manipur State Power Company Limited, Keishampat, Imphal – 795001, Manipur, India.**

Sd/- N. Sarat Singh
Managing Director, MSPCL

HL-B/7124/02



**BOARD OF SECONDARY EDUCATION**
**MANIPUR**
ꯂꯥꯎꯊꯣꯛꯄ / **NOTIFICATION**
Imphal, the 1st September, 2021

No. Ex/189/Regd/II/100 : It is hereby notified for information of all concerned that in view of the present situation in the state due to covid 19 pandemic, the last date for submission of registration form for class-IX and enrolment statement for class-X for the academic session 2021-2022 has been extended upto 15th September, 2021 after which late fine will be imposed upto 29-09-2021.

| Sl. No. | Particulars | Amount | Last Date |
|---|---|---|---|
| 1 | Submission of Class-IX registration | **Rs. 350/- (without fine)** | 15-09-2021 |
| 2 | Submission of Class-X enrolment | **Rs. 350/- (without fine)** | 15-09-2021 |
| 3 | Submission of Class-IX registration | **Rs. 450/- (with fine)** | 29-09-2021 |
| 4 | Submission of Class-X enrolment | **Rs. 450/- (with fine)** | 29-09-2021 |

Sd/- **Dr. S. Mangijao Singh**
Secretary

HL-P/6918/2



**COUNCIL OF HIGHER SECONDARY EDUCATION**
**MANIPUR**
ꯂꯥꯎꯊꯣꯛꯄ / **NOTIFICATION**
Imphal, the 31st August, 2021

No. 3(II)/32/10-HSC(Vol-III)Pt./7091 : It is, hereby, notified for information to all concerned that the eligible lists of candidates/scholars [Fresher-2021, 1st Renewal-2020, 2nd Renewal-2019, 3rd Renewal-2018 and 4th Renewal-2017] of the **"CENTRAL SECTOR SCHEME OF SCHOLARSHIP FOR COLLEGE AND UNIVERSITY STUDENTS"** – Ministry of Education, Department of Higher Education, NS.I Section, Government of India for the academic session, 2021-2022 are uploaded in the Council website www.cohsem.nic.in. Those candidates/scholars included in the uploaded list may apply online on or before the 30th November, 2021 at the National Scholarship Portal [www.scholarships.gov.in] for availing the said scholarship.

The candidates should fulfil the following criteria for applying the same :

**CRITERIA FOR FRESHER CANDIDATE :**

(a) The candidate should have passed Higher Secondary Examination, 2021 conducted by the Council of Higher Secondary Education, Manipur.
(b) The candidate should pursue Under Graduate course in a recognised educational institution.
(c) The candidate should not avail of any other scholarship.
(d) The candidates should have his/her Aadhaar Number.

**CRITERIA FOR RENEWAL SCHOLAR :**

(a) The scholar should secure 50% or more marks or equivalent grade point average in aggregate and maintenance of attendance of at least 75%.

This notification is issued vide letter No. nil dated 12-8-2021 from S.O. (NS.1), Sholarship Division, Department of Higher Education, Ministry of HRD, Government of India, New Delhi.

**Sd/- Ch. Biren Singh**
*Secretary*
*Council of Hr. Sec. Edn., Manipur*

HL-P/7123/2